শিংজমৈ চিংঙামথক্তা লৈবা রিলিফ সেন্টর ফোর দ ৱেলফেয়র ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সন্স মণিপুরনা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পাৱরমেন্টকী মীৎয়েংখাদা পাঙথোকপা পেরেন্টস ট্রেনিং প্রোগ্রাম কম পেরেন্টস মীটিং

PARENTS TRAINING PROGRAMME CUM PARENTS MEETING

লামায় ৫

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক ময়াই লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা দিন দয়াল উপধ্যায় গ্রামীন কৌসল্যা যোজনাগী মতাংদা পাঙথোকপা স্কিল্লিংগী ৱার্কশোপ

DDU-GKY
ROZGAR DIVAS/SKILLING & EMPLOYMENT WORKSHOP ON
DEEN DAYAL UPADHYAYA GRAMEEN KAUSHALYA YOJANA (DDU-GKY)
DISTRICT SKILL MISSION

লামায় ৪

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মীৎয়েংখাদা খাঙবোক পার্ট থ্রী খুনৌ লৈকায়দা তোঙান-তোঙানবা সোসল সিক্যুরিটি স্কিমশিংগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা এৱ্যেনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকপা

AWARENESS PROGRAMME

লামায় ৪

অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেনবগা লোয়ননা দ্রগকী মায়োক্তা থৌনা ফনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপগীদমক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এসপি ডা. এস ইবোমচাবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা মমেন্টো অমসুং সাইটেসন য়াওবা খুদোল পীদুনা ঈকায় খুম্নখিবা

লামায় ৪

লৈঙাক্লা তোঙান-তোঙানবা শিনফমদা মীয়াম্বু থবক তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাক্লি : কিরনকুমার

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):

লৈঙাক্লা তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপকী মীওইশিং থবক ফংহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাক্লি হায়না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার টি ঐচ কিরনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মীয়ামগীদমক খনবা লৈঙাক লৈরকপা চহী ৪ ফারকপগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা দি সী কমপ্লেক্সতা লৈবা মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকপা রোজগার দিবস/স্কিল্লিং এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টকী ৱার্কশোপতা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ট্রেনিং পীদুনা মীওইবা অমবু মখুৎ-মশা হৈহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা ট্রেনিং ইনষ্টিট্যুটশিং নেসনল স্কিল দিভেলপমেন্ট কাউন্সীলদা রেজিষ্টর তৌরবদি ট্রেনিং সেন্টরশিংনা পীবা সার্টিফিকেটনা অতৈ অতোপ্পা মফম কয়াদা থবক চঙবদা মতেং ওইনগনি। উ চারা মরাং কায়না থাদুনা অঈং-অশাগী খল কায়হন্দনবা হোৎনবগা লোয়ননা ঈশিংগী অৱাবা লৈহন্দনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা ৱাফমসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (নৈলিট) কী এদিসনল দিরেক্টর সন্তোশ চন্দ্রনা হায়খি মদুদি, নৈলিটনা আই টি অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্সকী মরী লৈনবা ট্রেনিং পীদুনা মীওই কয়া থবক ফংহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। হান্না অঙ্কালোংদিগী স্কুল কেম্পসতা লৈরম্বা নৈলিটকী ট্রেনিং সেন্টর অসি হৌখিবা ওক্টোবর ২৮দগীদি ওল্ড দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী কেম্পসতা হোংদোরক্লে। হৌজিক ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওই ৫৪০০ ট্রেনিং পীখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর কৌসাল বিকাস যোজনাগী মখাদা মহৈরোয় ৩০ স্মোল স্কেল ইন্দষ্ট্রি লিংখৎনবগী ট্রেনিং পীখি। ট্রেনিং য়াওখিবা মহৈরোয় ৮না এল ঈ দি সেনাপতি হায়না মিংথোনবা এল ঈ দি ক্লব পুথোকপা হৌরে। হায়রিবা ক্লব অদু শীজিন্নবদা নুংঙাইবা মরম্না চীফ মিনিষ্টর অমদি য়ুনিয়ন লিদরশিংনা থাগৎপা ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। মীওইশিং অদুদা শেন্থং পীথরকপসু লৈখ্রে।

ৱার্কশোপতা শরুক য়াখিবা পুরুল্লগী এস দি ও রোবাল্ডনা হায়খি মদুদি, লৈঙাক্লা চীং অমদি তমদা থোং মান্ননা চাউখৎহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। ব্লোকেদ অমসুং বন্দ তৌখিদবা মরম্না অহোংবা কয়া লাকপা উরে। স্বচ্ছ ভারত মিসনগী মখাদা কুমজা ২০১৮গী মার্চ ২৭তা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টপু ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইনা লাউথোকপা লৈখ্রে। মমাংঙৈগা মান্নদবা মওংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম পুম্নমক্তা মৈ অমসুং ঈশিং চাং নাইনা ফংহনবা ঙম্লে। গো টু হিলস মিসনগী মখাদা অনীরক হন্না দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসতা কেবিনেটমীফম পাঙথোক্তুনা হীরম খুদিংমক্তা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অৱাৎ-অপা মেনখৎনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগা মরী লৈননা মহাক্লা হায়খি, কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থৌরাংদা মীওই ৬১৬১ রেজিষ্টর তৌরকপগী মনুংদা মীওই ২৬৮৫ টিকা থাখ্রে। হৌখিবা চহী ৪গী মনুংদা অতৈ অতোপ্পা হীরম কয়াদসু শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাংশিং লৌখৎপগা লোয়ননা নেসনল হায়ৱে-২গী মাওদগীনা কৌব্রু লৈখা ফাওবা কোয়লাস থারে। দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসতা ফুট ব্রিজ শারে। তাফৌদা মল্টিপর্পজ ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অমসু শাবা লোইরে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর ঐচ ভৈশোনা দিন দয়াল উপধ্যায় গ্রমীন কৌসাল্যা যোজনাগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। মহাক্লা হায়খি, থৌরাং অসিনা খুঙ্গংদা লৈরিবা নহারোলশিং শেন্থোক হেনগৎহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা নহারোল কয়া মখুৎ-মশা হৈহন্নবা থা ৩গী ওইবা ট্রেনিং পীখি। দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং, খুনগী লুচিংবশিং লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা স্কুল অমদি কোলেজশিংগী মহৈরোয় কয়ানা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

নুপী শুমাং লীলাগী অথোই-অহেন তান্নবগী তরুকনি চনবদা মোইরাং কংলৈরোলগী খন্বা থোইবী লীলাগী মপুথোক ওইখি

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):

নুপী শুমাং লীলাগী অথোই-অহেন তান্নবা ফেষ্টিভেলগী তরুকনি চনবদা মোইরাং কংলৈরোলগী খন্বা থোইবী লীলা তাঙ্কক্কী মপুথোক্তা শান্নবা লীলা ওইখি।

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা কোনুং লম্পাক্তা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোক্লিবা নুপী শুমাং লীলা অথোই অহেন তান্নবগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি ওল মণিপুর ৱিমেন আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *লোই থাবা* অমসুং দি ইম্ফাল ঠিএটর মণিপুরগী *নোংয়াই থাদোই লাংওন* উৎখ্রে।

তরুকনি চনবা নুমীৎকী অহানবা ওইনা উৎখিবা ওল মণিপুর ৱিমেন আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী লোই থাবা লীলা বি য়ুগোলচন্দ্র শর্ম্মনা ইরগা এন মেমচৌবীনা তাকপী তন্বীনি। ঈশৈ-নোংমাইনা য়াইফবী অমসুং বেবিনা তৌখি। অদুগা পুঙনা আর কে দোলালসনানি।

লীলাগী ৱারীদা মোইরাং নিংথৌগী মনাও ইবুংঙো মথংখনবা চিংখুবগী মুরৈ পুঙদা মীনাই ওইনা শিরুরগে পাইমনুংদা খন্দুনা কবোদা লৈখি।

কবোদা লৈরিবা লাংলেন থোইবীবু খম্বনা কৈদৌনুংদা লাপথোক্তে। থোইবী উননবা তৎতনা মবাই ইবুংঙো ফৈরোইজাম্বগা লোয়ননা লাকচৈ। নুংশি মরী অচেৎপা নুংশি পন্থুংদি শরি ৱাশক্লখ্রবা খম্বা থোইবী অনীদি লাপথোক্লরগা হেন্না নুংশি মরী চেৎশিন্নৈ। নুংশি পন্থুং য়ৌরকখিবগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইখি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদি চিংখুবদা এন মেমচৌবী, কবো নিংথৌদা এ বিনো, খম্বদা আর কে রঞ্জনা, কবো ছুৱারীদা পি সনামচা অমসুং এল নুপীমচা, নাইজহনবদা ঐচ ভভানি অমসুং ফৈরোইজাম্বদা খু তম্ফা ইবেম্মনা শক্তম লাংখি। নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংনা মমাতোনদা এস ইবেতোম্বী, খম্নুদা ফু সনামচা, থোইবীদা এল সিলি, সেনুদা কে নিভালিনা অমসুং চনিংখোম্বীদা দল্লিয়ু রোশিলানা শক্তম লাংখি।

অনীশুবা উৎখিবা দি ইম্ফাল ঠিএটর মণিপুরগী নোংয়াই থাদোই লাংওন লীলা অসিগী অইবা অমসুং মমোমলোই নাইতোম পোকচবী লাংলেন থোইবীবু অঙোম নোংবানদা থাজবদা য়ারমদে। মচাবু হায়বা ইন্দে হায়দুনা কবোদা মতাও ওইরিবা তুমু লাকপদা কাওজ মমল লৌদুনা লোই থাখি। মমোম লাংলেন থোইবীনসু অঙোম মরানয়াইদা লৈগদবগী শরুক কবোদা লৈখি। মথংলেন মাঞ্জা খম্বগী নুংশি মরীনা চেৎখিবা মশুংলাংগীদমক্তা, পন্থৌগী য়াৱা তুংইন্ননা শামুখোঙগী লমনবু কবো তাকপী তন্বীবনা লোইতোংবম দোলেন্দ্রোনি। ঈশৈ-নোংমাইদা এল চাওবা, জি লাতাসনা, এম বারুন অমসুং এম অনিলনি।

SHUMANG LEELA FE

নোংয়াই থাদোই লাংওন লীলাগী ৱারীদা পুরেম্বা অমসুং ঙাংখ লৈমগী লাংওনদা মপারী ফংজবগী লৈবাক নিংথৌ অমসুং মোইরাং মীয়াম খঙহনগে হায়দুনা হরাওবগী পুংলোনদা লান্না য়ৈখিরম্মী। অদুবু মমাঙগী থোংলেনগী ৱাশক লৈখিবনা থোংলেনগী নুঙ্গোইবীদা পুরেম্বগী পুন্সি লোম্বা তাখি। পলেম-পম্থৌ অনীগী লাংওন খম্মী হায়বগী খম্বা মিংথোনখি। খম্নু খম্বা মচিন-মৌপ্পা অনী পলেম পম্থৌ নৌনা কায়নখিবনা ৱানা লেল্লকখি। ঙাংবা নিংথি পামহৈবা কৌবা কাউরেলনা অঙাং অনীবু শেন্নজরকখি। থাঙ্গরাকপগী ইংখোলদা কাউরেলনা চঙ্লুবদগী খম্ববু পোজরিবা নহোংবু কাউরেলনা ইংখোলগী মনা-মশিং চারুবগী মমল ওইনা মুনবীখি। মসিনা মরম ওইরগা কাউরেল ইকোপ পাৎতা চাক্তাদুনা লৈখি।

খম্বা খম্নু মচিন-মৌপ্পা সলাংথেলদা লৈরিবা পম্থৌ শক্লবা কবুই সলাং মাইবগী মনাক্তা লৈজদুনা চাউবা শারেপ ফাজখি। শারেপ কাংদোন ফারক্লবা খম্বা মচিন-মৌপ্পা মোইরাংদা হল্লক্তুনা লৈররে। চিংখুবগী শঙ্গাইদা শিলংবা লাকপদা মমোম লাংলেন নোংয়াইথাদোইগা শকখঙনরে। চাওবা নোংথোননা খম্ববু শকখঙবগা লোয়ননা মোইরাং নিংথৌনা খম্ববু লৈরোইহঞ্জবা ফমথোলদা থিদোকপীরে।

চিংখুবা অমসুং নোংবান অনী লৌতুনদুনা খম্ববু হাৎনবা শামু খোঙ য়েৎখি। কংলা ৱায়েলদা চিংখুবা নোংবান অনী কৈশুমশঙদা থাবুম অহুম লৈহনখি। কৈশুমশঙগী মতম লোইরদুনা চিংখুবা নোংবান থোরকখিবগা থাদোই থোইবীবু নোংবানদা ওংঙু য়াদবদগী কবোদা লোই থাখি। লোই থাখিবা থাবুম অহুম শুরক্তুনা লোইদগী কৌখৎলগা নোংবানবু খুগা তেরাখাদা লোই ওক্লগা অঙোম মরানয়াইদা পুনবা শীন্নখি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা খম্বা মরানয়াইদা থুংদুনা নুংশি ৱাইথুংনখিবগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা লীলানি।

লীলাগী খোঙজেল য়াংনা চৎপা ওন্বা লীলাগী মপুথোক্তা শাগোন্নদুনা চৎলি। হন্দক্কী নুপী লীলাগী ওইবা মীৎয়েংদা হিদান্নবা, অথোই-অহেনগী মশক লোয়নবা নুপী শুমাং লীলা ফম্বাক ওইহনবা ঙম্লে। হান্না লৈরম্বা নুপী শুমাং লীলাগী থাক অদুদগী হন্দক্কী নুপী লীলা ফেষ্টিভেল অসিদনা লীলাগী লূপশিংগী হিদান্নবগী মশক থোকপগী মমি তাহনবা ঙম্লক্লে হায়বা য়াই।

নোংয়াই থাদোই লাংওন লীলাদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদি খম্বা অমসুং পুরেম্বদা তেকচম সনাতোম্বী, নোংবানদা ৱাই প্রেমাবতি, শৌরাদা দল্লিয়ু অপনা, চিংখুবদা জি তোম্বীসনা, থাঙ্গরাকপদা এ বোরদিনি, কাওদা টি ঐচ অনন্দি অমসুং তম্পাকময়ুম হঞ্জবদা টি ঐচ সোরোজিনিনা শক্তম লাংখি। নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংনা থোইবীদা এল বিদ্যারানি, সেনুদা কে ইরাইঙানবী চনু, পাম্থোইবীদা টি ঐচ সোরিচোন জিমিক, খম্নুদা সী ঐচ রুপা, খম্নুনা অঙাং ওইরিঙৈগী শক্তমদা বেবি কে লিংজেম্থোই, থাঙ্গরাকপীদা জি লাতাসনা, মমা এংখুরাংবীদা জি এ অঙ্কা অমসুং মমা অমদা জি লাতাসনানা শক্তম লাংখি।

নুপী শুমাং লীলা তরেৎনি চনবা নুমীৎ মার্চ ১৪গী নুংথিল পুং ১ তাবদা মালোম তুলিহল অৱাং নুপী চাউখৎ থৌরাং লূপকী *শান্থলেম্বী* উৎকনি। অনীশুবা লীলাদা ৱিমেন্স দান্স এন্দ দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী *নোংদমখোল* উৎকনি।

ঈকায় খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) :

মহৌশাগী ওইবা অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেনবগা লোয়ননা দ্রগকী মায়োক্তা থৌনা ফনা লেপ্পুনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপগীদমক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ডা. এস ইবোমচাবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা মমেন্টো অমসুং সাইটেসন য়াওবা খুদোল পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে হায়না থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এৱ্যেনেস প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) :

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মীৎয়েংখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটিনা দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক পোর্স বি বি বি পি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর থৌবালগা খুৎশম্নদুনা খাঙবোক পার্ট থ্রী খুনৌ লৈকায়দা তোঙান-তোঙানবা সোসল সিক্যুরিটি স্কিমশিংগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা এৱ্যেনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্লা চহী ৪ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর এ কামেশ্বর, দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফেয়র ওফিসর ডা. কে এস ঐচ মেমচা, আই সী দি এস সেল থৌবালগী দি পি ও টি অনিতা, দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থেবালগী দি পি এম বসন্ত অমসুং খাঙবোক পার্ট থ্রী গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ মেম্বর থোকচোম মুহিন্দ্রোনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সী ঐচ বসন্তনা আয়ুশমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনা অমসুং হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। টি অনিতনা বেটিবচাও বেটিপরাও অমসুং প্রধান মন্ত্রিমাত্রুবন্দনা যোজনাগী মরমদা ৱা ঙাংখি। ডা. কে এস ঐচ মেমচানা কোভিদ-১৯ লাইচৎ ঙাকথোক্লবা অমসুং টিকা থাবগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া থমখি। চীফ মিনিষ্টরগী শোথরবশিংগী তেংবাঙ, পেন্সন স্কিম অমদি দিসএবিলিটি স্কিমনচিংবা সোসল সিক্যুরিটি স্কিমশিংগী মতাংদা এ কামেশ্বরনা মীয়ামদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। মীওই ১৫২ শরুক য়াখিবা থৌরমদুদা আইরন ফোলিক এসিদ সিরপ অমসুং টেব্লেটশিং য়েন্থোকখি।

কনাসু ঐগী মিং খঙদে উৎলগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) :

কনাসু ঐগী মিং খঙদে হায়বা খোরিফাবা আর্টিষ্ট এসোসিএসন নম্বোলগী অনৌবা দ্রামা অমা হয়েং নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী ওদিটোরিয়মদা উৎলগনি। কাংজম পদ্মকুমারনা ইবা ৱারী মপুমদা য়ুম্ফম ওইবা দ্রামা অসি উৎপগী থৌরম হৌদোকপদা রিটায়র্দ আই এ এস কাংজম রাধাকুমার, পদ্মশ্রী এৱার্দী ৱারেপ্পা নব, অমসুং শক্লইরবা ঠিএটর ক্রিটিক বুদ্ধ চিংথামনা মথংশিৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং থোইদোকপা মীথুংলেন ওইগনি হায়রি।

ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা চহী ৪ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্কী রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ (আর দি এন্দ পি আর) দিপার্টমেন্টকী দিষ্ট্রিক্ট স্কিল মিসন থৌবাল অমদি মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন (এম এস আর এল এম) অনীনা শীন্দুনা দীন দয়াল উপধ্যায় গ্রামীন কৌসাল্যা যোজনা (দি দি য়ু-জি কে ৱাই)গী মতাংদা রোগার দিবস/ স্কিল্লিং অমসুং ইমপ্লোয়মেন্ট ৱার্কশোপ অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক ময়াই লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা খাঙবোক এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিদসু দি দি য়ু-জি কে ৱাই স্কিম হৌদোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা খাঙবোক এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা, হান্না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা থোকচোম জাদুমনিনা অথোইবা মীথুং, খাঙবোক পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এস ওপেন্দ্রোনা থৌরম মপু, দি দি য়ু-জি কে ৱাই থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট কো-ওর্দিনেটর-স্কিলস ঙাংবম লোয়াঙম্বা মৈতৈ, লিলোং সী দি ব্লোককী ব্লোক কোওর্দিটের-স্কিলস আবিব হাসন, থৌবাল সী দি ব্লোককী ব্লোক কোওর্দিনেটর-স্কিলস শাহবগ খান, ৱাংজিং/তেন্থা সী দি ব্লোক্কী ব্লোক কোওর্দিনেটর-স্কিলস তোইজম চনু লিম্থোই অমসুং থৌবাল সী দি ব্লোককী ক্লষ্টর কোওর্দিনেটর-স্কিল রিষ্কু লাইশোমনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

স্কিম অসিগী মখাদা খাঙবোক এ সী অসিগী নুপীশিংদা কান্নবা কয়ামরুম ফংহন্নবগী মতাংদা থোকচোম জাদুমনিনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাঙাংলোয়শিংনা স্কিম অসিগী মতাংদা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবশিংগী মতাংদা শন্দোকপা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি।

ওগষ্ট ১দা এন ঈ ঈ টি পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) :

অন্দর গ্রেজ্যুএট মেদিকেল কোর্সশিংদা মিং চনগদবা মহৈরোয়শিং খনগৎনবা নেসনল টেষ্টিং এজেন্সী (এন টি এ)না ওগষ্ট ১দা নেসনল ইলিজিবিলিটি কম এন্ট্রান্স টেষ্ট (এন ঈ ঈ টি) পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

এম বি বি এস, বি দি এস, বি এ এম এস, বি এস এম এস, বি য়ু এম এস অমসুং বি ঐচ এম এস কোর্সশিংদা মিং চন্নবগীদমক অথোই-অহেন তান্নবগী এগজাম অসি পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। এন টি এগী নোটিফিকেসন অমনা হায়খি মদুদি, হিন্দী অমসুং ইংলিস য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লোল ১১দা এগজাম পাঙথোক্কনি। এন্ট্রান্স টেষ্ট অসিগী ফোর্ম থাজিনবা হেক হৌবগা টেষ্টকী সিলেবস, ইলিজিবিলিট, রিজার্ভেসন অমদি এগজাম ফিনচিংবগী অকুপ্পা মরোল খঙহল্লক্কনি হায়রি।

সী পি আইনা শৌগৎলক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) :

তোঙান-তোঙানবা পব্লিক অন্দর টেকিং কয়া প্রাইভেটাইজেসন তৌবগী মায়োক্তা বেঙ্ক অমদি ইন্স্যুরেন্স কম্পেনিগী ইমপ্লোয়ীশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা সী পি আইনা মপুং ফানা শৌগৎপা ফোঙদোরক্লি। মার্চ ১৫ অমসুং ১৬তা কৌরিবা বেঙ্ক ষ্ট্রাইক, মার্চ ১৭তা কৌরিবা জি আই সীগী ষ্ট্রাইক অমদি মার্চ ১৮দা কৌরিবা এল আই সীগী ষ্ট্রাইকতা সী পি আইনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

জুলিরিং মীশিদা চেন্নবশিং চৈরাক পীনবা তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):

হৌখিবা মার্চ ৭তা মপুরোইবগী ময়ুমদা শিনা লৈরমখিবা জে এস জুলিরিং মীশিদা চেন্নবা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্নবা নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন চান্দেল অমদি খুর্মি নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসননা তকশিল্লক্লি।

লূপ অনীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কৈনৌ থোংখোং মখোঙ লৈরক্তা লৈবা মপুরোইবগী ময়ুমদা জুলিরিংনা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শিনা লৈরমখিবগী মতাংদা মতিক চানা থিগৎপা মথৌ তাই। লৈখিদ্রবীগী ইমুং-মনুংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মরাইবক থিগ্রবী নুপী অদু হিংলিঙৈ মতমদা মপুরোইবা হেমারজিৎনা তমথিনা ফূ-চৈবগী থৌওং চথখি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক অমসুং পুলিস দিপার্টমেন্টনা ইনভেষ্টিগেসন চথবগা লোয়ননা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনফম থোকই হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

হেমারজিৎকী অপোকপীনা জুলিরিংবু মমৌনি হায়না খনবা ঙমদবগী মওং অমা উবা ফংবা মরম্না থোক্লিবা থৌদোক অসি চিংননিংঙাই ওই হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, লৈখিদ্রবীগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংনা রিমসকী মোর্গতা থল্লিঙৈ মতমদা হেমারজিৎকী ইমুং-মনুংগী মীওই অমত্তা লাকখিদবা মরম্না অমুক্কা হেন্না চিংনবা পোকহল্লে। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন চথদুনা লৈখিদ্রবী জুলিরিং অমসুং নুপী খুন্নাইদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

করপসন লৈতবা খুন্নাই ওইহনগদবনি : এ আই এস এফ

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা করপসন লৈতবা খুন্নাই ওইহনসি হায়না লাউখিবদু থবক্তা ওন্থোকউ হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা ফোঙদোরক্লি।

কাউন্সীল অসিগী সেক্রেটরি এন রেবিদাসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হন্দক্তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ৱাহং পাউখুম মতমদা মীওই ৪৯ কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুসেন মণিপুরদা কাঙলোন কায়না থবক হাপচিল্লম্বগী মতাংদা থিগৎলগনি হায়না মিনিষ্টর রাজেননা ফোঙদোকখি। অদুবু নৌনা অমুক মীওই ২১ থবক লৌরগনি হায়না লাউথোরক্লিবসি অঙকপনি। মহৈরোয় লিশিং ৫০ হেন্না এগজাম পাঙথোকপগী থৌদাং লৌরিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরদা ষ্টাফ ৮৮ থবক তৌরি। অদুবু মহৈরোয় লিশিং ৩০ খক লৈবা কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরদদি ষ্টাফ মশীং ১৬৬ লৈরি। মসিগীসু মথক্তা অনৌবা ষ্টাফ ২১ লৌনবা থৌরাং তৌরি। কাউন্সীলনা মরম চাদবা মওংদা মহৈরোয়শিংদগী য়াম্লবা শেনফম অমা তোঙান-তোঙানবা ফি ওইনা লৌরি। মদুনা মরম ওইরগা লায়রবা ইমুংগী অঙাংশিং মহৈ তম্বদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। হীরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মহৈরোয়শিংগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। করপসন লৈতবা খুন্নাই অমা ওইহনগনি হায়খিবদু থবক্তা ওন্থোকপা মতম ওইরে হায়রি।

এৱ্যেনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):

'হাউ টু য়ুজ এন্দ হাউ টু টেক ক্যের এল পি জি গ্যাস' হায়বা হীরমদা চথুদুনা লাকপা এৱ্যেনেসকী শরুক অমা ওইনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা তোল্লেন খুল ওথোরিটিনা নোংমগী ওইবা এৱ্যেনেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা তোল্লেন খুলগী চীফকী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

য়ুমথোঙ খূদিংদা শীজিন্নরিবা চাকথোং গ্যাসশিংদগী থোক্লক্কদবা মৈহৌ লাংপোক অমদি মতৌ করম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা ওল গ্যাস ক্যের (এ জি সী) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা এ জি সী মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ষ্টেট মেনেজর এস ঐচ জয়প্রকাশ, এদভাইজর এস ঐচ তোম্বা, ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি দল্লিয়ু সোনামনি অমদি তোল্লেন খুল ওথোরিটিগী চ্যেরমেন, সেক্রেটরি অমদি মৈরা পায়বীগী মীহুৎশিং অমসুং খুনগী নুপীশিংনা শরুক য়াখি।

প্রোগ্রাম অদুগী শরুক অমা ওইনা এল পি জি গ্যাসশিং নীংথিনা লূনা নান্না শীজিন্ননবা অমদি মৈহৌ লাংপোক থোক্তনবগী মতাংদা মচা খায়না ৱা ঙাংলদুনা এ জি সীগী এক্সপার্ট ওইনা লাকখিবা জয়প্রকাশনা মতৌ করম্না শেম-শাগদগে হায়বগী মতাংদসু খুলগী মীয়ামদা শুগাইনা তাকপী তন্বীখি হায়রি।

'থবক পায়খৎপীগনু'

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) :

চঙাঙ্গৈ তাওশাং লম্পাক ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী শঙলেনদা নুপী লূপ অহুমগী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না লাক্কদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখল মমাঙদা তাওশাং লম্পাক্তা চাউখৎ থৌরাংগী মিংদা কম্যুনিটি হোল শাবা য়াওনা মখল অমত্তগী থবক পায়খৎপীগনু হায়না এসোসিএসন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটিগী এৱার্দ পীরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটি ইম্ফালনা পীগদবা তোঙান-তোঙানবা এৱার্দশিং হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীদা য়েন্থোক্লগনি।

সমিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এ সী নেত্রজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দ, থবক্তগী পোখারবা আই এ এস ওফিসর কাংজম রাধাকুমার অমদি নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটি ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট এল উপেন্দ্রো শর্ম্মনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

বি এম মাইস্নাম্বনা ইবা *ৱাইথৌ সনানু* লাইরিক্তা প্রোফেসর যোদ্ধচন্দ্র সনসমনা কৎচবা সনসম ওংবী মোইরাংথেম মাইপাকপী সাহিত্য মনা ২০২০, মণীন্দ্র কোন্সমনা ইবা *লীখিদ্রিবা ৱারী* লাইরিক্তা লাইরেনলাকপম সরতনা কৎচবা লাইরেনলাকপম জুগিন্দ্রো নীংশিং সাহিত্য মনা ২০২০, রামেশ্বর শরুংবমনা ইবা *কায়রবা চফু মচেৎ* লাইরিক্তা কৃপাময়ীনা কৎচবা থোকচোম যোগেন্দ্র নীংশিং শেলগী মনা ২০২০, ডা. এল সরতচন্দ্রনা ইবা *শগোল কাংজৈ*লাইরিক্তা মোইরাংথেম নরেন্দ্রনা কৎচবা মোইরাংথেম চন্দ্রসিং পন্দিত অচৌবা সনাগী মেডল ২০২০, সলাম রুপচন্দ্রনা হন্দোকপা *লেটর্স ফ্রেম দ ভিলেজ* লাইরিক্তা কুমারীনা কৎচবা তেলেম ইন্দুবালা মনা ২০২০ অমসুং যোদ্ধচন্দ্র সনসমনা ইবা *ঈখৌ*দা তায়েঞ্জম ওংবী কমলিনীনা কৎচবা তায়েঞ্জম জয়ন্ত পোইট্রি এৱার্দ ২০২০ পীরগনি। এৱার্দশিং অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, গোল্ড মেডল, সোল অমদি সাইটেসননচিংবা য়াওরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

কাঙলোন চুম্না খনগদবনি : এইমস

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী প্রি-পি ঐচ দি প্রোগ্রামগীদমক মহৈরোয়শিং খনবদা কাঙলোন চুম্না থবক তৌগদবনি হায়না অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস)না ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা দিসেম্বর ১৬তা এম য়ুনা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা প্রি-পি ঐচ দি প্রোগ্রামগী প্রোভিজনল রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা এপ্লিকেসন কৌখি। এম আই টি, মেদিকেল সাইন্স য়াওনা দিপার্টমেন্ট ১৯না ক্বালিফায়িং এন্ট্রান্স টেষ্ট অমদি ভাইভা ভোসি তৌদুনা কেন্দিদেটশিং খনবগী থবক চথরি। পোলিটিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী ওইনা ক্বালিফায়িং এন্ট্রান্স টেষ্টতা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিং মার্চ ১৫দগী ভাইভা ভোসি তৌরগনি। অদুবু হায়রিবা থবক থৌরমশিং অসিদা কনাগুম্বা খরনা অরানবা থৌওং চথবগী পাউ তাবা ফংলিবসি মহৈরোয় খুন্নাইগী ওইনা খ্বাইদগী লাইবকথীবনি। মরী লৈনবশিংনা অচুম্বা মওংদা থবক তৌগদবনি হায়না লূপ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021
CLASS X & XII SC. (CBSE) CLASS STARTING - 11th FEB, 2021
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM)
STARTING ON - 4th MARCH, 2021
* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.
Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-B/6719/21/1-26/2

OFFICE OF THE
YAIPHARE GROUP OF FINANCE
(Y.G. FINANCE)
H.O. CHINGMEIRONG NEAR EASTERN MOTOR
IMPHAL EAST – MANIPUR
YAIPHARE GROUP OF FINANCE ESTD.2021
Be a winner of Rs. 20 Lakhs
Lucky Draw Rs. 1 Lakh
Starting From 15th April, 2021
Monthly Rs. 4000/-
Lottery Cum Tender
☞ Urgently Wanted 50 Agents
☞ Agents will get monthly income Draw Timing : 2 :00 p.m.
For more details Plize Contact
Office timing 9:30 a.m to 4:00 p.m.
Contact No. 7642042874, 9362147856
Sd/-
Manager
Yaiphare Group of Finance
(HL-B/6847/12/3-11/4 (alt